# চাদ ১০ গ্রান্দ পীরম্বা প্রোজেক্টশিং অমুক হন্না হঞ্জিন্নবা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা আপিল তৌখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই (এস এন এস) ২০ঃ
মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এন্দ অর্বর্বান এফিয়ার্স, গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা টাউন এন্দ কন্ট্রি প্লান্নিং ওর্গনাইজেসন অমদি নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ অর্বর্বান এফিয়ার্স ন্যু দিল্লিগা খূৎশম্নদুনা ঙসিগী ওন লাইন বিল্ডিং পার্মিসন সিষ্টেম (ও বি পি এস) ইন নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট হায়বা হিরম অসিদা নোংমগী ওইবা রিজনেল ৱার্কসোপ অমা ইম্ফালগী সিটি কনভেনসন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কসোপ অদুগী হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টগী ৱারোল পীরদুনা মহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী শেল্হং মখাদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা চাদ ১০ গী লম্প সম স্কিমগী মখাদা পিরম্বা প্রোটেক্টশিংগী খুদোংচাবশিং অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী খনবিদুনা অমুক হঞ্জিন্নবা আপিল তৌখি।

মহাক্না হায়খি, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী শেল্হং মখাদা চাদ ১০ লম্প সম স্কিমগী মখাদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা পিরিবা প্রোজেক্টশিংগী খুদোংচাবশিং চহী খরগী মমাঙদগী মখা তানা পীখিদ্রে। মশানা মশাগী রিছোর্স মতিক চানা লৈনদবা মণিপুরগুম্বা অপিকপা ষ্টেটতদি হায়রিবা স্কিম অদু মখা তানা চৎনহখিবদগী অর্বর্বান এরিয়াদা পায়খৎক্কদবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংদা চৈথেং পীরি। লোয়ননা ফন্দিং তৌনবা অতোপ্পা ছোর্স লৈতবনা অর্বর্বান সেক্টর প্রোজেক্ট কয়া মপুং ফাদনা লৈরি।

ৱার্কসোপ অদুগা মরী লৈননা মহাক্না হায়খিবদা, ওন লাইন বিল্ডিং পার্মিসন সিষ্টেম হৌদোকপা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফ্লেগসিপ মীসন অমা ওইরিবা অতল মীসন ফোর রিজুভেনেসন এন্দ অর্বর্বান ট্রান্সফোর্মেসনগী মখাদা অফবা খুদোংচাবা অমনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এন্দ অর্বর্বান এফিয়ার্সনা কন্না হোৎনবদগী ইন্দিয়াগী বিজিনেস কন্স্ট্রেক্সন পার্মিট ইন্দিকেটর অসি কুমজা ২০১৮ দা ১৮১ শুবদা লৈরম্বদগী ২০১৯ অসিদা ৫২ শুবদা লৈবা ঙম্লিবনি। হৌজিক লৈবাক অসিগী ওইনা ষ্টেট ১১ গী মখাদা মখোয়গী টাউন খুদিংমক্তা ওনলাইন বিল্ডিং পার্মিসন স্কিম (ও বি পি এস) চৎনবা হৌখ্রে। অদুমকপু লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরা অসিদা চৎনরিবা ও বি পি এস অসি টেক্নিকেলগী খুদোংচাবা ৱাৎপনা মাঙজিল থানা চৎপা ঙমদ্রি। সিষ্টেম অসিমক লুপা ক্রোর ১ গী মথক্তা পীরি। অদুবু নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগীদি ই গভর্ণমেন্ট ফাউন্দেসন্না ও বি পি এস কী সোফৱয়ার অসি লেপ্পা ফঙহনগদৌরিবা অসিমক থাগৎলি।

ও বি পি এস চৎনবা হৌবনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা বিল্ডিং বাই লো অসি নৌনা শেমদোক্তুনা মোদেল বিল্ডিং বাই লো ২০১৬ দা মরূ ওইবা প্রোভিসন হাপচিনবগী তঙাই ফদবা লৈ। মসিগীদমক মফম অসিমক্তদা ৱার্কসোপ অমা পাঙথোক্তুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল বিল্ডিং বাই লো ২০১৩ শেমদোক্লবা পায়খৎলক্লিবা প্রোভিসনশিং খন্নখি। লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এন্দ অর্বর্বান এফিয়ার্স গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মোদেল বিল্ডিং বাই লো না রিকমেন্দ তৌবা প্রোভিসন ১৪ হাপচিন্দুনা বাই লো অসি শেমদোকখি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱার্কসোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৱাই নরমাদা চীফ টাউন প্লান্নর টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট মণিপুর, শিব দাস মীনা এদিস্নেল সেক্রেটরী মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এন্দ অর্বর্বান এফিয়ার্স, এম জয় কম্মিস্নর (মহুদ) গভর্ণমেন্ট ওফ মনিপুর অমসুং টি ঐচ হরিকুমার দাইরেক্তর (মহুদ) মণিপুরসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট টি ঐচ শ্যামকুমারনা নেসনেল অর্বর্বান ষ্টেক্ট (এন এস য়ু) ৱেবসাইট অমসু লোঞ্চ তৌখি। লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা অর্বর্বান) দা য়ুম্ফম ওইবা নোকফদে কল্চরেল ফাউন্দেসনগী মঙাল অমা হায়না মিংথোনবা ষ্ট্রিট প্লে অমসু উৎখি।

# ‘ঊ লিশিং তরা থারগা হিংদববুদি চাম্মখক থারগা হিংহনসি’

ইম্ফাল,জুলাই ২০ (এস এন এস)ঃ
মণিপুরদা নোংজুথা য়ৌরবা ফাওবা নোং চুদবা অসি মপুং ওইনা মীওইবনা নেচরদা শিংনরুবগী চৈথেংনি। ঊ পাম্বী লিশিং ১০ থারগা হিংলোইদবগী শরুকপুদি চাম্মখক থারগা হিংহনবনা হেন্না ফৈ হায়না রেভিন্যু, সি এ এফ এন্দ পি দি অমসুং রিলিফ এন্দ রিহেবিলিতেসনগী মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি সব দিপ্যুটি কলেক্টর (এস দি সি) য়াইরিপোকনা বিষ্ণুনহা য়ুঠ ফেদরেসন, নোংপোক নিংথৌ ইমা পান্থোইবী হরাউবা কম্মিতি অমসুং য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগা পুন্না খূৎশম্নদুনা এস দি সি ওফিস অসিগী কেম্পস অমসুং মনাক নকপা মফমশিংদা ঊ থাবগী থৌরম হৌদোক্লদুনা মিনিষ্টর কে শ্যামনা মখা তানা হায়, মতম অমগী ইপা ইপুশিংনা ঊগী কান্নবা খঙদ্রিঙৈগী মতমদগী হৌরগা অচৌবা উজাও কয়া ইরাৎ থৌনিবগী চৎনবী হৌজিকসু চত্থরি।

মতম অদুদা সাইন্টিফিক ওইনা ঊ পাম্বীগী কান্নবা অদু খঙনবা নত্তে। অদুবু কনামক্তনা ঊ পাম্বী অমত্তা মরম চাদনা য়াম্থৎলমদে। অদুবু ঙসিদি ঊ পাম্বীশিংনা মীওইবদা পীরিবা কান্নবা অসি খঙনরবা নহা কয়ানা ঊ পাম্বীশিং মাঙ তাকহনবগী থবক তৌরক্লি। মদুনা ঙসিদি গ্লোবেল ৱার্মিংগী ইশু অসি থোরক্লে। মণিপুরদদি ঊগী কান্নবা খঙনা খঙনা উমং ৱামং মাংহন তাকহনবগী থবক চত্থরি। উপাল অসি ঐখোয়গী পুন্সি ওইরে হায়বসি খঙবা চংই। ঊগী কান্নবা অসি খঙলক্লবা মতম অসিদি তুমিন্না লৈথোকপগী মতম নত্রে হায়খি। মীওই খুদিংমক্না ঊ পাম্বী অমমম থারগা হিংহন্নবগী হোৎনবা মতম ওইরে। ঙসিদি মীওইবনা নেচর শিংনরুবগী চৈথেং মীওইবনা ফংলে হায়বা য়াই।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈদা নোং মরাং কায়না তারবসু মণিপুরদদি ঙসি ফাওনা নোং চুদবনা মরম ওইরগা লৌ পানবা য়াদনা লৈরি। মমাঙদা ঈচাউ অহুমলক থোকখ্রে মদুগী চৈথেংনা মরম ওইরগা ঙসি লোকেল চেঙ কা হেন্না তাংবগী ৱাফম লাকপনি। হৌজিক ফৌ শাংপা ঙমদবগী ফিভম লাকপনা হৌজিক লুপা ৪০–৫০ পীরিবা চেঙ অসি লুপা ১০০ পীগে হায়বদা ফংদবগী ফিভম অমা লাকপা য়াই।

মহৌশাগী ৱাটর সাইকলদা অকায়বা লাকপনা মরম ওইরগা নোং চুরক্তবা অসি ঊ পাম্বীশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবনি। মরম অদুনা উমং য়োকখৎতবা য়াদবগী ফিভম অমদা লাক্লি। মসিগীদমক ঊ পাম্বী লিশিং ১০ থারগা হিংলোইদবগী শরুকপুদি ঊ পাম্বী চাম্মখক থারগা হিংহনবনা হেন্না ফৈ হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, এস দি সি ওফিসকী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিগী বদজেটতা য়াওরক্লিবা ফন্দ খরা অসি অতোপ্পদা এক্সিক্যুট তৌনবা শেল জমা তৌখিবনি। অদুবু দিপার্টমেন্ট অসি অচৌবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইবনা থবক পায়খৎলিসু খঙদবা পায়খত্তে হায়বসু খঙদবগী ফিভম অমদা লৈরি। থৌরম অদুদা এস দি সি য়াইরিপোক কে রঘুমনি সিংহ, ওসি য়াইরিপোক পি এস এম দি রিয়াজসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা মিনিষ্টরনা ক্লারোক মহাদেবগী অকোয়বদা লমদম অদুগী ক্লবশিং অমসুং য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলরশিং য়াওনা পাঙথোকপা ঊ থাবগী থৌরম অমদসু শরুক য়াদুনা ঊ চারাশিং থাখি।

# নুপী শুমাঙ লীলা মোইরাং পর্ব্ব চাংদম্নবগী ফল লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই (এস এন এস) ২০ঃ
চীঙ তম য়ুনাইটেদ ৱুমেন্স এসোসিয়েসন কংলৈপাক মণিপুরনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা চত্থখিবা নুপী শুমাঙ লীলা মোইরাং পর্ব্বগী অথোইই অহেন তান্নবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংগী মমিং ঙসি লাউথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা নুপী লীলা কাংবু ৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চাংদম্নবা অসিদা বেষ্ট এক্টরদা কাংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী টি ঐচ মঞ্জিতানা অহানবা, দি ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিয়েসনগী কে এস ঐচ সুস্মা দেবীনা অনীশুবা, চনুরা যাত্রা কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী এস সুভাসিনি দেবীনা অহুমশুবা তাখি।

বেষ্ট এক্ট্রেসতা দি ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিয়েসনগী এল ইন্দুরেখা চনুনা অহানবা, কাংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী এন বিনোদিনি চনুনা অনীশুবা অমদি ইম্ফাল থিয়েটরগী আই বিদ্যরানিনা অহুমশুবা তাখি।

বেষ্ট এক্টর ইন সপ্পোটিং রোলদা কাংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামাগী কে এস ঐচ সুছিত্রা, দি ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিয়েসনগী কে সঙ্গিতা দেবী অমদি য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিয়েসনগী এ শাকুন্তালানা মকোক মথং তাখি।

বেষ্ট এক্ট্রেস ইন সপ্পোটিং রোলদা দি ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিয়েসনগী এম লোলিবালা দেবী, কলচরেল যাত্রা কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী কে এস ঐচ ফুলকা দেবী অমদি কাংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী এম অমিশানা মকোক মথং তাখি। বেষ্ট এক্টর ইন কোমিক রোলদা ইম্ফাল থিয়েটরগী দব্লিউ অপানা, কাংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী এন বিমোতা অমদি দি ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিয়েসনগী এল থম্বাল দেবীনা মকোক মথং তাখি।

বেষ্ট চাইল্ড এক্টরদা ইম্ফাল থিয়েটরগী বেবি দব্লিউ খৃষ্টিনানা তাখি। বেষ্ট স্ক্রিপতা কাংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী সলাম শামুঙৌ মৈতৈনা ইবা কাউ ফাবনা ফাষ্ট, দি ৱেষ্টর্নগী অইবা নদ্বিব নিংথৌজানা ইবা শামু খোঙয়েৎপা অমদি ৱুমেন্স ডান্স এন্দ ড্রামাত্রিক এসোসিয়েসনগী উমেশ শর্ম্মনা ইবা লাই লৈ লেংবনা মকোক মথং তাখি।

বেষ্ট দাইরেক্তরনা কাংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী সলাম মুক্তবলি লৈমা, দি ৱেষ্টর্ন কলচেরল এসোসিয়েসনগী এম লোলিবালা দেবী অমদি য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিয়েসনগী এম পুর্ণিমাসিনা মকোক মথং তাখি।

বেষ্ট প্রদক্সনদা কাংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামা এসোসিয়েসনগী কাউ ফাবনা অহানবা, দি ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিয়েসনগী শামু খোঙয়েৎপানা অনীশুবা, য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিয়েসনগী কংলা ৱায়েল অমদি ইম্ফাল থিয়েটরগী নোংবান শাবনা পুন্না অহুমশুবা তামীন্নখি।

# অথৌবা চিত্তরঞ্জনগী নীংশিং নুমিত্তা সাইলেন্ট রেল্লি চৎকনি

ইম্ফাল,জুলাই (এস এন এস) ২০ঃ
আমদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার্স এক্ট (১৯৫৮), মণিপুরদগী লৌথোকউ হায়বগী দিমান্দদা হৌখিবা ২০০৪ গী আগষ্ট ১৫ দা মশা মতোমতা মৈ থাদুনা খোঙজং চঙনশিনবদা লৈখিদ্রবা পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাংগী ১৫ শুবা নীংশিং কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা আগষ্টকী তাং ১৬ তা মীয়ামগী সাইলেন্দ রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ৱাফম অসি পেবম চিত্তরঞ্জনগী ১৫ শুবা নীংশিং কুমওন পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে হায়না লাওথোকপগা মরী লৈননা মণিপুরী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (এম এস এফ) কী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ঙারিয়ানবম মিলনননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়,মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. মনমোহোন সিংহনা ফাওবা আমদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার্স এক্ট অসি য়াম্না তমথিবা অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী চেপ্তরপুম্বা নাথৈদুনা চৎপা ওইবনা হন্দোকপনা মতিক চাবা লোনি হায়না হায়বা লৈখি। লোয়ননা এক্ট অসিবু য়েংশিন্নবা শেমখিবা জীবন রেদি কম্মিসন্নসু এক্ট অসি হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন তৌবনা লৌথোক্লবা হায়খিবসু লৈখ্রে হায়খি।

এক্ট অসিবু অদুম্মক থমজিন্দুনা অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিং মরূ ওইনা মণিপুরদা এক্ট অসিনা মীহাৎমীপুন, মীওৎ মীনৈ কয়া চত্থদুনা লৈবগী মায়োক্তা হিংনা হিংনা শিবগী শরুক শিনা শিনা হিংবনা হেন্না ফৈ হায়বগী ফিরেপ্না মণিপুর মীয়ামগী হ্যুমেন টোর্চ ওইনা থৱাই কৎখিবনি।

কোমমেমোরেটিং দি সুপ্রিম সেক্রিফাইস ওফ পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাং হায়না মিংথোনদুনা মহাক্না লৈখিদবগী ওল্লকপা চহীদগী লেপ্তুনা পাঙথোরকখিবনি। নীংশিং কুমওন থৌরম অদুগী মনুচন্না বিষ্ণুপুরদা লৈবা মহাক্কী মিতমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎকনি। লোয়ননা মহাক্কী পোরুফম তখেল্লম্বম লৈকাইদগী দি এম কলেজ ফাওবা মীয়ামগী অচৌবা ৱা ঙাংদবা রেল্লি অমা চৎকনি। থৌরম অসিবু মায়পাক্না মীয়াম, লৈঙাক, পুলিস অমদি ট্রান্সপোর্টরশিংনা মতেং পাংবিয়ু। লোয়ননা বিষ্ণুপুরদা লৈবা চিত্তরঞ্জনকী মিতম অদুগী মনাক্তা মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স অমসু শানবা উরেপ উয়ুংতম্বা লোইরে। কমপ্লেক্স অদুদা তোল তারবা অঙাংশিংনা লৈনবা মফমসু হাকপনি। কমপ্লেক্স অদু শাবদা মতেং পাঙলকখিবা লৈবাক মীয়াম পুম্নগী মিং হাক্তুনা থমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

লোয়ননা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা দিবেট্টিং, পেন্টিং অমদি ফোটোগ্রাফিনচিংবা চাংদম্নবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। লৈবাক অসিগী হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংবু ইকায় খুম্নবা ওইনা মনা য়েম্থোক্কনি। মনা অসিগীদমক এক্টিভিষ্টশিংনা রিসুম পিশিন্দুনা এপ্লাই তৌনবসু মহাক্না আপিল তৌখি।

# মহৈরোইশিংগী য়েংলগা স্কুল থিংজিনবীনু ঃএসোসিয়েসন

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (এস এন এস)ঃ
কাঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টেন্দর্ট রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী বোর্দিংদা চহি ১৪ রোমতা ঙাইরিবী মহৈরোই নুপীমচা অমা থৌরি য়াল্লগা শিরম্বা থৌদোক অদুগী অচুম্বা লংলা–লংজিল পুথোক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাঙগনি, মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা স্কুল থিংজিনবদি তৌবিগনু হায়না ওল মণিপুর রিকক্লাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরমসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ওল মণিপুর রিকক্লাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম জয় খুমননা হায়, থৌদোক অদু য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোকনি, ইমুং–মনুংগী অৱাবদা এসোসিয়েসননা শরুক য়াজরি।

মহাক্না হায়, থৌদোক অদুগী অচুম্বা লংলা–লংজিল পুথোক্লবা হোৎনবদা এসোসিয়েসন অসিনা ঙম্বা মতেং পাঙগনি। এসোসিয়েসনা কনাম্মতগী মীচংদা লৈরোই অমদি নাকল নাম্মতগী ৱা ঙাংবা তৌজরোই। এসোসিয়েসন অসি মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক্তা তম্লিবা মহৈরোই খুদিংমক্কী গার্জিয়াননি হায়না লৈজরিবনি। মহৈরোই নুপীমচা অসি লৈখিদবা অসিদা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোখ্রে।

ষ্টেন্দর্ট রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপালনা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইবনি। অদুবু মীশি অসিদা স্কুল অসিগী ওথোরিটি চেন্নরম্বা তারবদি প্রসিদেন্টগী ফমদগী লৌথোকপগা লোয়ননা স্কুল অসি মেম্বরসিপতগী ককথৎকনি হায়খি।

অমরোমদা মীশি অসিগা মরী লৈননা বোর্দিং থিংজিনখিবা অদুদা এসোসিয়েসননা য়েৎপা অমত্তা লৈজদে। অদুবু স্কুল অসিদা তম্লিবা মহৈরোই লিশিং ৩রোমগী খনবীরগা স্কুল অসিদা অয়েৎপদি পীহনজনিংদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## নোংমৈ কাপ্পখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (এস এন এস) ঃ গোর্খা রেজিমেন্ট অমসুং জেলিয়ারোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জুফ) কী মরক্তা মিনিট ৪৫ রোম নোংমৈ কপ্পখ্রে। প্রেসনা ফংবা পাউদা, নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অসি নোনে দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা থৌপুম এরিয়াদা লৈবা লৈশোক ভিল্লেজদা থোকখিবনি। ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদগী হৌরগা ৪.৪৫ রোম তবা ফাওবা কাপ্পখি হায়রি। থৌদোক্তুদা নাকল অনীগী মরক্তা অশোক–অপন নৎত্রগা মীশি–মীনা য়াওবগী পাউদি ফংদ্রি। থৌদোক্কী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি মফমদুদা অহেনবা সেক্যুরিটি ফোর্স চঙশিন্দুনা পাক শন্না থিবা হুম্বা চত্থখ্রে হায়রি।

## ক্ষেত্রি জন্ম লৈখিদ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ২০ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী থবক্তগী পোত্থারবা এদিস্নেল এস পি অমসুং মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এলাইদ স্পোর্ট ইন্সটিট্যুট (মাসি) কৈরাওগী প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পুরম্বা ক্ষেত্রি জন্ম মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে।

মহাক্না হিংলিঙৈদা মণিপুর পুলিসতা মশক থোকপা থবক কয়া পায়খৎলম্বগীদমক মীয়াম্না শকখঙনবা ওফিসার অমা ওইরমখি। মহাক্কী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা মাসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরমখি। মহাক মোদর্ন কলেজ এলুমনি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট, নোর্ঠ ইষ্টর্ন য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী ফাউন্দর এদভাইজর অমসুং কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকাই অমসুং নাউরোইবম লৈকাই শিংলূপগী এদভাইজর ওইরমখি।

## তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী হান্নগী...

*লমায় ১গী মখা...*
ওইনা শীজিন্নখিবগা লোয়ননা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা অমুক হন্না হাপচিন্দুনা হোষ্টেল অদু শেমগৎপগী থবক পায়রিবা কন্ট্রেক্তর সিঐচ এলেক্স কোমদা ট্রান্সফর তৌখিবনি হায়রি।

লোয়ননা এক্যুজ অসিনা দি সি ওইরিঙৈ মতমদা লুপা ১,৫৫,৪২,২৩৬ কী শেনফম ওইগদবা গার্লস হোষ্টেল, সেনিটরি ব্লোক অমদি আই ই আই শাবগী ৱার্ক ওর্দর অহুম টেন্দর লাউদনা স্পিসিয়েল কন্ট্রেক্তর সিঐচ এলেক্স কোমদা পীথোকখি হায়রি।

টেংনৌপল দি সিগী কেস বু অমুক হন্না য়েংশিল্লুবদা এক্যুজ অসিনা লম্বী পাকথোকপদা শোকহল্লিবা টেংনৌপলদা লৈবা গার্লস হোষ্টেল অদুগী য়ুম্ফুদা পীগদবা কম্পেন্সেসন অদুসু সিঐচ এলেক্স কোমদা ট্রান্সফর তৌখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি হায়রি।

এক্যুজ অমদি অতোপ্পা মীওই খরগা লৌতুনদুনা লৈঙাক্কী য়াম্লবা লুপা ১,৫০,০০,০০০ রোম লৌথোকখি হায়বগী মরালসু মশানা য়াজরে হায়রি। কেস অদুদা চেন্নরিবা মীওই অমদি দোক্যুমেন্টশিং পুথোকপা অদু তঙাইফদবা অমদি মতম লৌগদবনা মরম ওইদুনা নুমিৎ তরুকনিগী রিমান্দ অদু জুলাই ২৫ ফাওবা লৌথখিবনি হায়রি।

## মোইরাংদা বোমগী ...

*লমায় ১গী মখা ...*
থেংনরকখিবনি। বোম লৈরে হায়বা পাউ হেক ফংবগা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী এস দি পি ও কেএসঐচ সিভাকান্তা, ও সি আর অনিলকুমার অমসুং ৪২শুবা আসাম রাইফলসকী সি ও এস বুয়ানা য়াওনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা য়েংশিল্লগা ঙাক শেন্দুনা থম্লবা মতুং মণিপুর পুলিসকী বোম দিস্পোসাল স্কৱাদতা পাউ পীখি। বোম লৈরম্লিবা মফম অদুদা অশোই অঙাম থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মোইরাং লমখাইদগী টিদিম লম্বীগী শরুক খরা থিংদুনা থমখি। তুংদা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.৩০ রোম তাবা মতমদা মণিপুর পুলিস বোম দিস্পোসল টিমনা আই ই দি অদু অশোই অঙাম য়াওদনা লৌথোকখি। বোম অদু আই ই দি মখলগী বোমনি। মনুংদা টি এন টি পিছ ৭, আর দি এক্স অমদি ইসপ্লিন্টর ওইনা য়োক্তেক–থাংতেক য়াওরম্মী, পুন্না কে জি ৭ লুম্মী। লৌথোক্লবা বোম অদু মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

## ইকং মায়োক্নরে...

*লমায় ১গী মখা ...*
তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টেনোগ্রাফরগী পোষ্ট খরসু অথিংবা কোমথোক্লগা হাপ্পবা ঙসিগী মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখিবনি হায়খি। লোয়ননা ফিজিকেল টেষ্ট লোইরবা মতুংদা থবক লৌবগী অথিংবা মায়োক্নখ্রবা আই আর বি বট্টালিয়ন অনীগী পার্সোনেলশিং লৌনবা হৌজিক লৈরিবা অথিংবা খরা কোমথোক্তুনা রিক্রুইটমেন্ট মখা চত্থনবা মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

মহাক্না হায়, ঙসিগী মীফম অদুনা ব্রিস্ককী মখাদা লৈরিবা নিউ দিভলপমেন্ট বেঙ্কতগী লমদম অসিদা থক্লবা অফবা ঈশিং পীনবগী পান্দমদা চংশিনবদা মতেং ওইনবা লুপা ক্রোর ২৬৪০ পীবিনবা প্রপোজেল থাবদা লুপা ক্রোর ৩২৮২ কায়থোকপীরক্লে।

স্কিম অদু নিংথিনা থবক তৌবা ঙম্নবগীদমক ষ্টেট প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট য়ুনিট অমসুং প্রোজেক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন য়ুনিট শেম্নবা কেবিনেট মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

তোঙান তোঙানা প্রোজেক্ট সব কম্পোনেন্ট অহুম য়াওরিবা প্রোজেক্ট অসিগী ওইনা ইন্টিগ্রেটেদ ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট ফোর ইম্ফাল প্লানিং এরিয়াগী লুপা ক্রোর ৯৯০, ইম্ফাল নত্তবা খরা পীকথবা অতৈ টাউন ২৫গী ওইনা লুপা ক্রোর ৩৩৯.৮৪ অমসুং মণিপুরগী খুঙ্গংগী লমদা খুঙ্গং ১৭৪৫দা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাংগীদমক লুপা ক্রোর ১৩১০ প্রপোজ তৌবদা নিউ দিভলপমেন্ট বেঙ্কনা লুপা ক্রোর ৩২৮২ সেঙ্কসন তৌবিরকখিবনি।

মসিগী মনুংদা ইন্টিগ্রেটেদ ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট ফোর ইম্ফাল প্লানিং এরিয়া ফেজ–থ্রি লুপা ক্রোর ১১৫৭.৩৩, ইম্ফাল নত্তবা অতৈ টাউন ২৫গী লুপা ক্রোর ৪৩৪.৩৮ অমসুং মণিপুরগী খুঙ্গং ১৭৪৫ দা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবগী থৌরাংগী মখাদা লুপা ক্রোর ১৬৯০.৩১ পীরকখ্রে। মসিগী থবক অসি পায়খৎনবগীদমক তোঙান তোঙানবা য়ুনিট অসি শেমখিবনি হায়খি। মসিগা লোয়ননা রেলৱে লাকপা মতমদা শোক্কদবা খুঙ্গং ১৩গী কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফমসু কেবিনেট মীফম্না অয়াবা পীখি।

## খোরদাক নোংমাইখোং তাবা লম্বী শেম্বীদ্রবদি এম এল এনা লম্বী অসিদা চৎপদা বোয় কোট তৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (এস এন এস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ফাওনহল্লিবা লোয়ননা খোরদাক নোংমাইখোং মীয়ামগী হিংনবগী লম্বী ওইরিবা খোরদাক নোংমাইখোংদগী কুম্বী তারিবা কিলোমিটর ৯.৩০ রোম শাংলিবা লম্বী অসি থা অসিগী তাং ৩০ ফাওবগী মনুংদা শেমজিন্দ্রবদি কুম্বী কেন্দ্র অমদি থঙ্গা কেন্দ্রগী এম এল এনা লম্বী অসিদা ফাওরগা চৎপদা বোই কোট তৌরগনি হায়না খোরদাক নোংমাইখোং মীয়াম্না পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙরাং সোসিয়েল এন্দ ট্রান্সপোর্ট দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন খোরদাক নোংমাইখোং, ৱাপোকপী এথেলেটিক রুরেল দিভলপমেন্ট ক্লব ইরমদম লমজিং লমতাক ক্লব স্কুল ভেন এসোসিয়েসন খোরদাক ৱুমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনন পুন্না খূৎশম্নদুনা হিয়াংতেল লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোল নোংমাইখোংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা সোসিয়েল ট্রান্সপোর্ট এন্দ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী নিংথৌজম বুধিচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।

অদুগা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাপোকপী এথেলেটিক রুরেল দিভলপমেন্ট ক্লবকী প্রসিদেন্ট সোইবম তোম্বনা লমদম অসিগী অৱাবা য়েংদনা কেন্দ্র অনীগী মীহুৎশিংনা লৈথোক্লবদি অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়খি।

## পুলিস কষ্টদি রিমান্দ মখা তানা লৌথখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ২০ (এস এন এস)ঃ
ট্রান্সপোর্টর এন্দ ড্রাইভর কাউন্সিল (টি দি সি)গী মিং শিজিন্নরগা ত্রেদ য়ুনিয়নদা রেজিষ্টার তৌরুবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ফাদুনা লৈরিবা ক্লাকৈথেল হৈনৌ–খাঙনেম্বীদগী লাইশ্রম চন্দ্রকুমার অমসুং মহাক্কী মনাউনুপা লাইশ্রম রতন খুমন ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা মখা তানা নুমিৎ হুম্নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা এফ আই আর নম্বর ১৬০ (৭)২০১৯ আই পি এস ৪২০।৪৬৮।৪৭২।১২০–বি আই পি সিগা মরী লৈননা হৌখিবা জুলাই ১৮ দা পুলিসনা ফারবা তুংদা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা লৈরকখিবা মচিন মনাউ অনী ঙসি নুংথিল চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা মখা তানা লাক্লিবা জুলাই ২২ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখিবনি হায়না প্রেসনা ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

নাকল অমরোমদা নমথাক তৌদুনা টি দি সি শারগা ত্রেদ য়ুনিয়নদা রেজিষ্টার তৌরম্বদা চেন্নবা মীওই অনী পুলিসনা ফাখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা মীওই ১৫ অদুসু ফাদুনা মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না সর্ফেস ট্রান্সপোর্ট হিল এরিয়াজ ড্রাইভর ৱেলফেয়ার য়ুনিয়ন, মণিপুরনা লৈঙাক্তা তকশিল্লি।

ঙসি ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা সর্ফেস ত্রান্সপোর্ট হিল এরিয়া ড্রাইভর ৱেলফেয়ার য়ুনিয়ন, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী থোরহর খ্রাসিনা পাউমীশিংদা হায়, নমথাক তৌদুনা টি দি সিগী অশাবা লেটর হেদ অমসুং সিল শিজিন্নদুনা রেজিষ্টার তৌরম্বগী থৌদোক অদু ড্রাইভর য়ুনিয়ন অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

করিগুম্বা মরাল লৈবা নমথাক তৌবা মীওইশিং অদু ফারগা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না এক্সন লৌখৎপীদবা তারবদি সর্ফেস ট্রান্সপোট হিল এরিয়া ড্রাইভর্স ৱেলফেয়ার য়ুনিয়ন মণিপুরনা নেসনেল হায়ৱে–২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে–৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা চেনলিবা গাড়ীশিং বন্দ তৌবগী খোঙজং য়াওনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এ পুকেলো ইশানা অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট এ হেখাশু শরুক য়াখি।

## খুন্দ্রাকপম এ সিগী লৌফম কয়া লৌ পানবা য়াদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (এস এন এস)ঃ
খুন্দ্রাকপম কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা য়াম্লবা লৌফম কয়া নোং তাদবনা মরম ওইরগা পাক্তক্লনা ঈকংগী অৱাবা ময়োক্নদুনা লৌ পানবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরে।

কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা লৌফম পারি লীশিং অনীরোম হৌজিক হৌজিক লৌহোল হুনখ্রবা তুংদা ঈশিং লৈতবনা লৌমীশিংনা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্নরি। অমরোমদা লৈঙাক্না পম্পনচিংবা পীথদুনা লৌ পানবা ঙম্নবা মফম খরদা হোৎরবসু খুন্দ্রাকপম কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা কান্নবা পোৎশক অমতা ফঙবা লৈত্রি হায়নসু লৌমীশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্নরক্লি।

কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী ওইনা লৌ পানবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরবা লৌফমশিং অদুদি খুন্দ্রাকপম জিল্লা পরিষটকী মনুং চন্না লৈবা লানজৈপাৎ, লৌখা, লময়াই, লম্ফেল, তেনখম, ঙখাপাৎ অমদি সুমাং লৌকোলনচিংবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি পাউমীশিংনা লৌখা লৌকোলদা চৎতুনা য়েংশিনলুবদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিগী এক্সিজিক্যুটিব মেম্বর, টি ঐচ মোহেন্দ্রানা ফোঙদোরকপদা, দোলাইথাবী প্রোজেক্ট লৈ হায়বগী কান্নবা মচেৎ অমা ফাওবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী লৌমীশিংদা ফঙবা ঙমদনা লৈরি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি ঈথৈ লৌখোংগী ওইনদি কান্নফম খঙদ্রবা প্রোজেক্ট অমনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবিদুনা পায়খৎপা য়াবা পায়খৎপীনবসু অপিল তৌরকখি।

## আর এন রবি নাগালেন্দগী গভর্ণর হাপখ্রে ...

*লমায় ১গী মখা ...*
খুমাং চাউশিনগনি হায়বসি য়ু সি এমনা লৌদে।

অদুম ওইনমক মহাকপু করিগীদমক নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা হাপ্পকপনো হায়বদু মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা য়েংবা চঙলি।

মহাক্না হায়, য়ু সি এমগী ফিরেপতি করিগুম্বা পীছ তোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংগী মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই হায়বা ফিরেপ অদু হৌজিকসু হোংদনা লৈরি।

মসিগী ফিরেপ অসি মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরদসু হায়রমখিবা লৈখ্রে। পিছ তোক ওইরবসু চাউখৎ থৌরাংগী ওইরবসু থবক অমা লৌখৎপা মতমদা য়ুম্লোন্নরিবা ষ্টেট অদুগী লমশোকপগী ৱাফম য়াওরবদি মদু ষ্টেট অদুগী ষ্টেকহোল্ডরশিং অমসুং মরী লৈনবা পুম্নমক তান্নরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা চঙই হায়খি।

করিগুম্বা মসি ঙাক্তবা তারবদি মদু অশেংবা পিছ তোক্কী ৱারোইশিন নত্তে। মদু ওন্ন তৈন্নবা পিছ তোক্কী খোঙথাংনি হায়না লৌগনি হায়খি। করিগুম্বা ইশু অমগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা ষ্টেকহোল্ডরশিং কাম্থোক্তুনা চৎপীগনু হায়খি।

মহাক্না হায়, আর এন রবিনা নাগালেন্দগী নাগাদনা ৱাফম অমা হায়বা, মণিপুরগী মীয়ামদনা ৱাফম অমা হায়বা তৌরগা মরৈ অনী লোঙনা ৱা ঙাঙবা অসিনা মরম ওইরগা মহাক্না নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইরকপা মতমদা মণিপুর মীয়ামগী থম্মোয়দা মীপায়বা অমদি অদুমক লৈহল্লি হায়খি। মরম অসিনা মীয়াম্না অসিগুম্বা খোঙথাং কয়া থেংনেনবগীদমক পুন্না শেম শাদুনা লৈবিনবা আপীল তৌখি।

মতম কুইনদগী চত্থদুনা লাক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সি এন–আই এমগী পিছ তোক অসিগী শরুক অমা ওইরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙহন্দনা লৈরিঙৈগী চৈরক অসিদা পিছ তোক অসিগী ইন্টরলোকুটর আর এন রবিবু নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা হাপচিল্লকপা অসিনা মণিপুর মীয়ামগী থম্মোয়দা চিংনবা হেনগৎহল্লে। মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা থাঙলক্লিবা খোঙথাং অসি য়েংবা মতম ওইরে হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবান শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউচে অসিগা অখন্নবা ৱারী শান্নবা অমদা পি ঐচ দেবাননা হায়, এন এস সি এন–আই এম অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরক্তা চত্থনরিবা পিছ তোক অসি লোইশিন্দনা লৈরিঙৈগী তাঙ্কক অসিদা মসিগী ইন্টরলোক্যুটর অমবু নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা হাপচিল্লকপা অসি য়াম্না চুমদবা অমনি।

মসিগী ৱারি শান্নবা অসি নাগালেন্দ খক্তগী ওইরবদি করিসু কায়রম্লোইদৌবনি। অদুবু মণিপুরদা ঙমখৈ কায়খিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা মতম অমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না আর এন রবিবু নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা থাজিল্লকপা অসিনা মীয়ামদা চিংনবা হেনগৎহল্লে।

ৱারী শান্নবগী থাক্তা লৈবা ওইরবদি নাকল অনীমক্কী ৱাকৎ তাফম থোকপনি। অদুবু মহাক্না গভর্ণর ওইনা হাপচিল্লকপা অসিনা নাকল নাম্মতগী ওইবা মীৎয়েং অমদা লাকপা য়াবগী ফিভম অমা লৈহল্লি। ওইরক্লিবা খোঙথাং অসি মণিপুর মীয়াম্না খুউ শেন্দুনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবগী তঙাইফদবা লৈ।

নাকল অনীগী মুক্লবদা নাকল নাম্মখক্তদা তোংশিনবগী ফিভম অমদা হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্না চঙশিল্লক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না মসিগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা মপুং ফানা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা, নাগালেন্দ মনুংখক্তদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী খোঙথাং ওইরম্লবদি য়াম্না ফরমগদবনি।

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি ইন্দিয়া অমসুং এন এস সি এন–আই এমগী মরক্তা লৈরিবা ৱারী অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মতুংদা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইরম্লবদি মীয়াম্না অসি য়ৌনা চংনবা ফাওরম্লোইদৌবনি হায়খি।

আর এন রবিনা ইন্টরলোক্যুটর ওইনা থবক পায়দুনা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরকপা য়াবগী ফিভম অমদা থম্লম্বা মতুংদা নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা হাপচিল্লকপা অসি নুংনাঙনিঙ্ইনি।

মহাকপু লৈরিবা প্রোব্লেম অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা তুংদা গভর্ণর ওইনা হাপ্পকপা ওইবরদি থোদোক্না লান্না লৌনরমদবা য়াই। অদুবু ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা লম্বী নকশিল্লক্লে হায়না ফোঙদোক্লরিঙৈগী চৈরক্তা মণিপুর অসি ফিভম নোংমা নোংমগী লুশিনলক্লি।

মীয়ামগী থম্মোয়দা লাংতক্লবা পোকহনবা খোঙথাং অসি কুপ্না য়েংলগা থবক তৌবা মতম ওইরে হায়খি।

হৌজিক চত্থরিবা পিছ তোক অসি ৱারোইশিন পুরক্তনা ফুমদুনা থম্লগা নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা থাজিল্লকপা অসি নাগালেন্দগী হেন্না ফনবা ওইরবসু মণিপুর মীয়ামগী থম্মোয়দদি মীপায়বা ফাওহল্লি।

করিগুম্বা ৱারোইশিন পুরক্লবা মতুংদা লাক্লম্বা ওইরবদি মীয়াম্না থোইনা নুংনাঙবা ফাওরমদবা য়াই হায়খি।

## ‘বি জে পিনা দেমোক্রেসি থুপচিন্নবা ...

*লমায় ১গী মখা ...* মথং মথং মপাঙ্গল হম্ভহন্নবগী মওংদা চঙশিল্লকপা, ইন্দিয়াগী মীয়াম্থু মচিন মেন্নবা হোৎরকপা কয়া অসি দেমোক্রেসিবু নমথনবা অমসুং দিক্টেটরগী মওংদা চত্থরকপা লেপত্রি।

সেন্টরগী বি জে পি অমসুং ষ্টেটকী বি জে পিগী মরক্তগী লমদম অসিদা কোংগ্রেস পার্টি অসি অমুক হন্না হৌগৎলক্লরোই হায়না ফোঙদোকপা য়াওরি। অদুবু কোংগ্রেস নমথবদি ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরগী প্রজাশিংগী ফংফম থোকপা হক অদু নমথবনি হায়না লৌগনি। ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর কয়া অসিগী খোল্লাউ নমথবদি কৈদৌঙৈদা ওইথোক্লোই।

মীয়ামগী খোল্লাউ নমথদুনা দেমোক্রেসিবু শোহুহন্নবা হোৎনবা মায় পাক্লোই। পোলিতিক্সতদি পার্টি অমনা চুপ্লি পায়বা খরা লৈরগা অতোপ্পা পার্টি অমনা অমুক পায়বা হায়বসি হৌনশানি। কোংগ্রেস অমুক হন্না হৌগৎলরোই হায়না লান্না শনদাক্লিবা অসি মীয়াম অসিবু করি ওইনা উরগা হায়বনো। মীয়াম্না হৌজিক য়াম্না চেকশিন্না য়েংলিবনি। মরম অসিনা মীয়াম্না নোংমা হৌরকপদা নমথবা শুকঙম ঙম্লোই। দেমোক্রেসিবু নমথবা কৈদৌঙৈদা ঙম্লোই হায়খি।

দেমোক্রেসি নমথনবা হোৎনবদা অনিশুবা পোইন্টতা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেট খরদা মখল খুদিংমক্কী উপায় শিজিন্নরগা কর্ণাটাকাদা, গৱাদা, মণিপুরদা ওইবা য়াই মসিদা মনিপৱার, মসল পৱার শিজিন্নরগা বি জে পিগী সুপ্রিমেসি অসি তৌনবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থিবনি। মসি মখোয়না মতম খরগীদি ঙমখিবা য়াই অদুবু মায়দি পাক্লোই হায়খি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজিব গান্ধীগী মতমদা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অসি ফাগি তারক্কদৌরে হায়না ইন্দিয়াগী ১০ সেদ্যুল শেমদোক্লগা এন্টি দিফেক্সন লো শেমদোক্লম্বা অসি য়াম্না ফজবা খোঙথাংনি হায়না লৌনরিবনি।

মীয়াম্না পীবা মেন্দেট অদুদগী নাথৈরগা চোংথোক চোংশিন তৌবা মতমদা মদু স্পিকরনা দিসক্বালিফাই তৌবা য়াই হায়বসি য়াম্না ফজবা ৱাখল্লোননি। হৌজিক মসি মখা তানা শেমদোক্লগা হেন্না ইফেক্তিভ ওইনবা মীয়াম্না চহী মঙাগী মেন্দেট পীদুনা ইলেক্সন কম্মিসননা মীহুৎ ওইরে হায়না লাওথোক্লবা মতুংদা চোংথোক চোংশিন তৌরবদি চুম্নগী দিসক্বালিফিকেসন তৌবদা নত্তনা অমুক হন্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা য়াহন্দনবা হোৎনবা মতম ওইরে।

মীয়াম্না পীবা মেন্দেট অদু খোঙ্গোয়নরিবা ময়াম অসি অমুক হন্না হৌগৎপা ঙমহন্দনবা খোঙথাং লৌখৎপা মতম ওইরে হায়খি। মীয়াম্না পীরিবা মেন্দেট অদু চহী ৫গী ওইবা তারবদি মহাক্না মদু ইকাই খুম্নফম থোকই হায়খি। হৌখিবা জুলাই ১৭ দা য়ু পিগী সোনভাদ্রা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা লাইবক থিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংগী মীওইশিং য়ু পিগী ইন চার্জ অমা ওইনা উন্ননবা চৎপদা প্রিয়াঙ্কা গান্ধীবু ফাজিনখিবা অদুগী মায়োক্তা ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্টে গাইখাঙমনা হায়, য়ুপিদা থোকখিবা থৌদোক অদু কোংগ্রেস পার্টিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুং উন্নবা চৎখিবা এ আই সি সিগী জেনরেল সেক্রেটরীবু ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি লোগী মায়োক্তনি। মসিদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী চৎন কাঙলোনগী ৱাংমদনি। লৈঙাক্কী মথোং হুক্তবা থৌওং অদু উৎপনি।